# ইন্দিয়াগী টিমনা ফনা কন্না হোৎনরবসু আইরলেন্দগী টিমবু মায়থীবা পীবা ঙমদবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌখিদ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ ইংলেন্দনা যূম্লু ওইরগা মমাঙ থাগী ২১ দগী চথরকপা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ফনা কন্না হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম আইরলেন্দবু থোইবা ঙমদবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিনা গ্রুপ মেচতা আইরলেন্দনা মখোয়বু মায়থীবা পীরম্বা অদুগী লমন শিংবা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা ঙরাং লন্দনগী লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু শান্নরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসি মালেমগী ১০ শুবা সিদেদ ওইনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারকপনি। অমরোমদা আইরলেন্দগী টিম ১৬ শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

টিম অনীমক্না ঙরাংগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মায় পাক্তবা য়াদবা মেচ অমা ওইদুনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অহানবা ক্বার্টর অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী বোল পুশিন্নদুনা অমনা অমগী পেনালটি সর্কল মতোন ফাওবদা বোল পুশিনবা ঙম্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্দর-শিংনা চেকশিন্না লৈখিবদগী পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরগী ২৩ শুবা মিনিটতা আইরলেন্দনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্তিন মুলাননা পীরকপা ক্রোস অমা অনা ও ফ্লানিগাননা থকচিলহনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী কীপর সবিতা চোংদুনা ঙাকথোকপা ঙমখি। মিনিট ৩ লৈরগা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা টিমমেট বন্দনা কটারিয়ানা পীরকপা পাস অমা আইরলেন্দগী পেনালটি সর্কল মতোন লানশিল্লবা মতুং য়ৈশিনখিবদা গোল পোষ্টতগী হাইদোকখিদুনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি।

অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টর অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদু পাঞ্জল চন্নবগী এটেক কয়া পুশিন্নবা ঙমখি। মদুগা মান্ননা ক্বার্টর অদু লোইখ্রবা মতুং অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মরুওইবা মায় পাকপগী পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকপা অদু থিবা লাক্লরকখি। শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়-শিংনা মেচ অদুগী অমতা ঙাইরবা পেনালটি কোর্নর অদু ফংখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা য়ৈশিনখিবা সোট অদু শাফু ৱাৎপদগী আইরলেন্দগী গোলকীপর অয়েসা মেকফেরেননা য়াম্না লায়না ঙাকথোকখি।


অপীবা মিনিট ৬০ গী মতম লোইশিনখ্রবা মতুং চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না পেনালটি সুটআউটকীদমক টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং শেম-শানখি। মরুওইনা ইন্দিয়াগী গোলকীপর সবিতা অমসুং আইরলেন্দগী গোলকীপর অয়েসা মেকফেরেন অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী অহেনবা মীপাইবা অমসুং অকিবা য়াওবা থৌনানা মাঙজিল থারগা শেম-শাদুনা লৈখি।

টিম অনীগী অহানবা পেনালটি সোট অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। আইরলেন্দগী মায়কৈদগী অহুমশুবা সোট অদু রোইজিন অপটোননা পাঞ্জল ওইহনখি। ইন্দিয়াগী অহুমশুবা সোট অদু নবজোট কোরনা য়ৈবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। মখা তারকপদা আইরলেন্দগী এলিসন মিকিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী গোলকীপর সবিতাবু মায়থীবা পীদুনা চল্লগা ২-০ দা লৈখি। ইন্দিয়াগী মরিশুবা সোট অদু রিনা কোখরনা চনবা ঙমখি। অদুবু পেনালটি সুটআউটকী মঙাশুবা আইরলেন্দগী সোট অদু সোইলে ৱাটকিন্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ৩-১ দা থোইরগা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা যূম্লু ইংলেন্দবু মমাঙগী ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইরিবা নেদরলেন্দসনা পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। নেদরলেন্দসকী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদু লিদেমি ৱেলটেননা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা ফিল্ড গোল অমা অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা লোরিন লিয়ুরিঙ্কনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। থা অসিগী ৪ দা শান্নগদবা সেমি ফাইনেলদা নেদরলেন্দস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া অদুগা স্পেন অমসুং আইরলেন্দ থেংনরগনি। অদুগা ইন্দিয়াগী টিম ৱর্ল্ড কপ অসিদা ৮ শুবা পোজিসন তারগা লৈহৌরে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৬

১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?
২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?
৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রসিয়াগী লিসেনকো ন্যুত্রেল এথলিট ওইবদগী প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে




মোস্কো, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী হায় জম্প এথলিট দানিল লিসেনকো মহাক্না মমাঙদা ন্যুত্রেল এথলিট অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী কম্পিটিসনদা শরুক য়াদুনা লৈরম্বা অদু ইন্টর্নেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) গী হৌজিক লৈরিবা এন্টি দোপিং চৎন-পথাপকী ৱাংমদা থবক চত্থরম্বগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৫ দা আই এ এ এফনা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী থিজিনখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রসিয়াবু ইন্টর্নেসনল এথলেটিক্স কম্পিটিসনশিংদা লৈবাক অদুগী এথলিট অমত্তা শরুক য়াহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌখিবনি। অদুবু রসিয়াগী এথলিট খরা আই এ এ এফনা মখোয়না ট্রেনিং চত্থরিবা মফমশিং অদু দোপিংগী ওইবা চয়েৎনবা লৈতে হায়দুনা অয়াবা পীবা লৈখি।

মরক অসিদা আই এ এ এফকী চৎন-পথাপশিং অদুবু কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লবগীদমক্তা শেমখিবা এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা রসিয়াগী হায় জম্প এথলিট দানিল লিসেনকোবু মহাক্কী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী কাঙলোনশিং অদুগী ৱাংমদা থবক চত্থরে হায়বগী মরাল শীরদুনা প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

আই এ এ এফকী মখাদা লৈরিবা এন্টি দোপিংগী চৎন-কাঙলোনগী মনুং চন্না শান্নরোয় অমনা কম্পিটিসন য়াওদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ট্রেনিং চত্থবা মতমদা পাঙথোকপা দ্রগ টেষ্টশিং অমদি এথলিটশিং অদুনা করম্বা মফমদা করম্বা চীঞ্জাক চাদুনা ট্রেনিং চৎথে হায়বগী অকুপ্পা মরোল পীননবা ৱারেপ লৈরিবনি। হায়রিবা ৱারেপ অসি দানিল লিসেনকোনা মরিক চুম্না এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা পীরক্লবা হায়রুবদা পীবা ঙমখিদবদগী মহাকপু মখা তানা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল এথলেটিক্স কম্পিটিসন-শিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা প্রোভিজনেল ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবনি।

দানিল লিসেনকোবু এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা অথিংবা থমখ্রবা মতুং লাক্কদৌরিবা চয়োল অসিদা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াবা য়ারোইদৌরি। করিগুম্বা লিসেনকোনা এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা মহাক্কী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অদু শেংদোক্লবা মরিক চুম্বা রিপোর্টশিং অদু পীবা ঙম্লবদি মহাক্কী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অদু লৌথোকপগী খন্নগদবা তাঞ্জা অমদি লাক্কদৌরি।

# সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ময়াম্বা মিস্কাবু মায়থীবা পীদুনা অলেকজেন্দর জ্বেরেভ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ

সেপ্টেম্বর থাদা য়ু এস এগী ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোকপা এ টি পি অমসুং দব্লিয়ু টি এ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ৱাশিংটনদা পাঙথোকপা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জর্মনিগী মচিন-মনাও অনীগী লম্বাদা ময়াম্বা মিস্কা জ্বেরেভ মনাওনুপা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অদুগা মালেমগী ওইনা নুপাগী সিঙ্গলস টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা মনাওনুপা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ময়াম্বা মিস্কাবু এ টি পি টুরগী তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা থেংনবদা ঙরাং ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

অহানবা সেট অদুদা অলেকজেন্দরনা মিস্কাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা চহী ৩০ শুরবা মিস্কা জ্বেরেভনা কন্না হোৎনরক্তুনা মনাওনুপা চহী ২১ শুরবা অলেকজেন্দর জ্বেরেভপু অকনবা লম্বা পীখি। সেট অদুগী গেম ১০ শান্নবা লোইবা ফাওবদা শান্নরোয় অনীমক গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। অদুবু মনাওনুপা অলেকজেন্দরনা মখা তাবা গেম অনী থোইদুনা সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকপদগী টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা সিটি ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী কৈ নিসিকোরিগা লম্বা তৌনরগনি। নিসিকোরিনা মহাক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা কন্নাদাগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় দেনিস সাপোভালোপপু ৭-৬ (৭-১), ৬-৩ দা থোইরম্বনি। পনবা য়াই, অলেকজেন্দর জ্বেরেভ টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীদা পাঙথোকপা ইদিসনদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয়নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হৌখিবা থাদা য়ু এস এগী সিটি অটলান্টাদা পাঙথোকপা টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখিবা জোন ইস্নরবু মহাক্কী লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় নোৱা রুবিননা থোইরমখি। মেচ অদু শান্নরোয় অনীমক্না লম্বা মান্ননা হৌবদগী থেংনরকখি। অহানবা সেট অদুদা জোন ইস্নরগী সর্ভিস গেম অমা নোৱা রুবিননা ব্রেক তৌবা ঙমখি। লোয়ননা রুবিননা মহাক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা ৬-৪ দা থোইরগা ইস্নরদগী সেট অমা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা সেটতা জোন ইস্নরগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎলকপা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা সেট অদুগী গেম ১২ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা ফনা কন্না হোৎনখিবা সিটি ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা জোন ইস্নরবু নোৱা রুবিননা পোইন্ট ৮-৬ তা থোইদুনা মায় পাক্লগা টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নোৱা রুবিননা মখা তাবা রাউন্দদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা রসিয়াগী শান্নরোয় এন্দ্রি রুব্লেবপু ৬-৩, ৬-২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। নুপাগী অতোপ্পা মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা গ্রীসকী ষ্টেফানোস সিসিপাসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেমস দকৱর্থকা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা সর্ভিস ফজবা কয়া য়াওবগী মতেংনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি।

ষ্টেফানোসনা দকৱর্থপু অহানবা সেট অদুদা ৬-৩ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু মহাক্কী সর্ভিস গেম অমা অমুক হন্না ষ্টেফানোসনা ব্রেক তৌখিবদগী ৬-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ষ্টেফানোসনা য়ু এস এগী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ৬-০, ৬-৩ দা থোইরম্বা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন্নগা লম্বা তৌনরগনি।

## অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস)ঃ

নেরোকা এফ সী ফেন ক্লব-ওরেঞ্জ বৃগেদনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা কোদোম্পোকপী মমাঙ লৈকাইগী এস সী কে গ্রাউন্দদা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১২ য়ুথ লীগ ২০১৮ গী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৩৭ শুবা মেচ ওইনা বি এম এস সী তৌবুংখোক অমসুং এস টি এফ সী খুরাই শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা দব্লিয়ু ৱাই সী অমসুং বি এস য়ু, অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে এস ৱাই সী অমসুং এফ সী কে অমদি মরিশুবা গ্রাউন্দদা এ পি য়ু সী ও অমসুং য়ু জি এফ সী শান্নগনি হায়রি।

# চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচশিংদা মমিং লৈরবা ক্লব অহুম মায় পাক্তুনা লৈরি



হর্নিং, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চত্থরিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংদা মমাঙদা ফজনা শান্নরম্বা মমিং লৈরবা টিম অহুম মায় পাক্তুনা লৈরি।

সর্বিয়াগী ফুটবোল ক্লব রেদ ষ্টার বেলগ্রেদ, নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্স আমষ্টর্দম অমসুং স্কোটলেন্দগী সেলটিক ফুটবোল ক্লব ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা স্বিজরলেন্দগী ফুটবোল ক্লব এফ সী বাসেল মমাঙদা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজ ফাওবা চাং নাইনা সীজন কয়া য়াওবা ঙমখ্রবসু মখোয়গী গ্রীসকী ফুটবোল ক্লব পি এ ও কেনা মখোয়না হোম গ্রাউন্দদা পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্স আমষ্টর্দমনা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব ষ্টুর্ম গ্রাজবু ক্বালিফায়িংগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মখোয়না অহানবা লেগতা ওষ্ট্রিয়াগী ষ্টুর্ম গ্রাজবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৫-১ দা মায় পাকখিবনি।

অতোপ্পা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচকী অনীশুবা রাউন্দ অমদা সর্বিয়াগী ফুটবোল ক্লব রেদ ষ্টার বেলগ্রেদনা লিথ্বানিয়াগী চেম্পিয়ন ক্লব সুদুভা মারিজামপোলবু অনীশুবা লেগকী মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাকখি। মদুগী মাঙওইননা রেদ ষ্টারনা যূম্লু ওইরগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেচ অদুদা পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবা মরম্না এগ্রিগেটতা ৫-০ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী ক্লব স্পার্টাক ত্রানাভাগা লম্বা তৌনরগনি।

স্কোটলেন্দগী ফুটবোল ক্লবশিংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সেলটিকনা ঙরাং শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী অনীশুবা লেগতা নোর্ৱেগী ক্লব রোজেনবোর্গপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। টিম অসিনা অহুমশুবা রাউন্দদা গ্রীসকী ক্লব এ ঈ কে এথেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

# পি এস পি বিগী শান্নরোয় মনিকা বত্রনা স্রুতি অমরুতেবু থোইদুনা মহাক্কী টিম ফাইনেল য়ৌহনবা ঙমখ্রে



কোইম্বাটোর, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ কেরলাগী সিটি কোইম্বাটোরদা চত্থরিবা ৪৮ শুবা এ এ আই ওল ইন্দিয়া ইন্টর ইনষ্টিট্যুসনেল টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা পঞ্জাব স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (পি এস পি বি) কী শান্নরোয় মমিং লৈরবা মনিকা বত্রনা রেলৱে স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দ (আর এস পি বি) কী স্রুতি অমরুতেবু মায়থীবা পীদুনা পি এস পি বি ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপীগী কাঙলুপ অদুদা পি এস পি বিগী মায়কৈদগী অহানবা সিঙ্গলস মেচ অদু মোমা দাসনা আর এস পি বিগী স্রুতি অমরুতেবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা মনিকা বত্রনা সাগরিকা মুখর্জিবু থোইবা ঙমখি। অহুমশুবা সিঙ্গলস মেচতা পি এস পি বিগী পুজা সহাসরগুদে, আর এস পি বিগী অনিন্দিতা চক্রবতিগী মখুৎতা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং মরিশুবা মেচ অদুদা মনিকা বত্রনা স্রুতি অমরুতেবু ১১-৫, ১১-৮, ১১-৮ দা থোইদুনা পি এস পি বিগী নুপীগী টিম অদুবু ফাইনেল য়ৌহনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপতসু পি এস পি বিগী টিমনা দেনা বেঙ্ককী টিমবু সেমি ফাইনেলদা মেচ ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। পি এস পি বিগী মায়কৈদগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় জি সাথিয়ননা দেনা বেঙ্ককী স্রীয়াল তেলানবু গেম ৩-০ (১১-৫, ১১-৩, ১১-৮) দা থোইখি। মদুগী মতুং নুপাগী টিমগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অদু পি এস পি বিগী মায়কৈদগী এ অমররাজনা দেনা বেঙ্ককী নিতিন থিরুবেঙ্গাদমগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ১১-৯, ১১-৬, ১১-৯ দা থোইদুনা পি এস পি বিগী টিমনা দেনা বেঙ্কপু মেচ ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

নুপাগী টিমগী সেমি ফাইনেল অদুদা মেচ অনী শোথরবা দেনা বেঙ্ককী মায়কৈদগী অভিনয় বিজয়না পি এস পি বিগী সনিল সেথিগা লম্বা তৌনখি। মদুদা অহানবা গেম অদু সেথিনা ১১-৬ তা থোইখি। অনীশুবা গেম বিজয়না ১১-৩ দা থোইদুনা লৈখ্রবসু মখা তাবা গেম অনী সেথিনা ১১-৬, ১১-৫ দা থোইদুনা পি এস পি বি ফাইনেল য়ৌখি।

# য়ু এস এগী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা বৃটেনগী হেদর ৱেটসনবু থোইদুনা সেন জোস টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



সেন জোস, ওগষ্ট ০৩ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী কেলিফোর্নিয়া ষ্টেটতা লৈবা সেন জোসতা পাঙথোকপা ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) টুরগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেন জোস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট মেচ অমদা মমিং লৈরবী য়ু এস এগী শান্নরোয় ভেনস ৱিল্লিয়মসনা বৃটেনগী হেদর ৱেটসনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী টেন্নিসতা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৭ লক লৌবা ঙমখ্রবী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ঙরাং বৃটেনগী হেদর ৱেটসনগা লম্বা তৌনবদা সেট অহুম চঙনা থোইখি। অহানবা সেটতগী হৌরগা শান্নরোয় অনী লম্বা মান্নরবসু ভেনসনা ৱেটসনগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতদি বৃটেনগী শান্নরোয় হেদর ৱেটসনননা ভেনসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী অহানবা সেটকী স্কোরগা চপ মান্ননা মহাক্না ভেনসপু ৬-৪ দা থোইদুনা সেট ১-১ মান্নদুনা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম-শানখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা য়াম্না থাজদবা মওংদা হেদর ৱেটসনগী সর্ভিস গেম অহুম ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু ৬-৪, ৪-৬, ৬-০ দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ভেনসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ৬-০, ৬-১ দা থোইরম্বী গ্রীসকী মারিয়া সকারিগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অজলা তোমজানোভিচনা পোলেন্দ ফ্রেসপু ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী অমান্দা এনিসিমোভাবু ৭-৫, ২-৬, ৬-১ দা থোইরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী মিহেরো বুজারনেস্কোগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অনী মেদিসন কিজ অমসুং গার্বিন মুগুরুজা শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদে।